# ব্লু হ্বাল গেম বেন তৌনবা পায়খৎপা য়াবা থৌশিল পূম্নমক পায়খৎনবা হায়কোর্টনা লৈঙাক্তা খঙহনখ্রে



***মদুরাই, সেপ্টেম্বর ৪ ঃ***

ব্লু হ্বাল চেলেঞ্জ গেমদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা মদ্রাস হায়কোর্টনা ঙসি সেন্টর অমসুং তামিলনাদু লৈঙাক্না হায়রিবা গেম অদু থিংননবা লম্বী অমা থিগদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

ব্লু হ্বাল গেমগী মতাংদা থাংগৎলকখিবা শু মুটো গেম অমা হিয়ারিং চথবদা জষ্টিস কে কে সিধারন অমসুং জি আর শ্বামিনাথনগী মদুরাই বেঞ্চনা হীরম অদুগী মতাংদা খন্ননবা অমসুং মখা তাবা পাউসু পীরক্নবা ৱায়েল পীখ্রে।

বেঞ্চ অদুনা খুদোং থিনিঙাই ওইবা গেম অদু থিংননবা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎনবা লৈঙাক অদুদা খঙহনখ্রে। ৱায়েল চথরিঙৈ চৈরক্তা ষ্টেট লৈঙাক্না কোর্ট অদুদা ফোঙদোরকখিবদা গেম অদু শান্নরুবা অঙাং অমা লৈখিদ্রে। মহাক্না গেম অদু অতোপ্পা মমান্নবা ৭৫ দা সেয়ার তৌরমখি হায়বা খঙবা ঙম্লে।

হায়কোর্টকী জজশিংনা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা ষ্টেট অদুগী দি জি পি অমসুং হোম সেক্রেটরীদা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি লোয়ননা খুদোং থিনিঙাই ওইবা গেম অদুগী মতাংদা মীয়ামদা এৱারনেস পীগদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

সেপ্টেম্বর ১ দা মীওই অমনা থাংগৎলকখিবা শু মোটো কেস অমগা মরী লৈননা হীরম অদুগী মতাংদা ৱায়েল চথখি।

গেম অদু শান্নরুবনি হায়না চিংনবা প্রাইভেৎ কলেজ অমগী চহী ১৯ লোম শুরবা বিগনেস কৌবা মীওই অমা আগষ্ট ৩০ দা মথন্তা শিখিবগী পাউ লৈরে। লৈখিদ্রবা বিগনেস গেম অদুদা পূক্নীং লুপশিনবগী পাউ কয়া মরুপ মপাংশিংদা পীরমখি। মহাক গেম অদুদা পূক্নীং লুপশিনখিবনা মরম ওইরগা অতোপ্পা মমান্নবশিংদগী তোখাই তাদুনা লৈরকখি।

লৈখিদ্রবা মহৈরোই অদুনা ইরম্বা শুসাইদ নোর্টতা গেম অদুনা কনাগুম্বশিংগী মাঙ তাকহল্লে। মীওই অমনা গেম অদুগী মনুংদা চঙলুরবদি নাম্থোরক্নবগী মরম অমত্তা লৈরোই হায়না ইরমখি।

ওইরক্লিবা হীরমশিং অদু য়েংলগা বেঞ্চ অদুনা ব্লু হ্বাল গেমগী মতাংদা মখা তানা য়েংশিন্নবা অমসুং গেম অদু লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা শন্দোকপা থিংননবা থবক পায়খৎকদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

নাকল অমরোমদা সি আই দি পুলিস ওফিসারশিংনা কোর্টকী ৱাফম অদু য়েংলগা গেম অদু ফ্রিজ তৌননবা থবক পায়খৎখ্রে হায়রি।

মীশি মীনা থোকহনবা য়াবা গেম অদু ওন লাইন্দা দাউন্দলোদ তৌবা অমসুং অতোপ্পদা স্যার তৌদনবা অকনবা ৱাফম থমলক্লি। অদুগুম্বা খুদোং থিনিঙাই ওইবা গেম অদু অতোপ্পশিংদা স্যার তৌদনবা অমসুং দাউন্দলোদ তৌবা য়াদনবা থবক পায়খৎকদবনি হায়নসু কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়রি।

# ব্রিক্স সম্মিট ঃ পাকিস্তান্দা লৈবা য়াওনা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিং অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

***জিয়ামেন, সেপ্টেম্বর ৪ ঃ***

ব্রাজিল, রুশিয়া, ইন্দিয়া, চিনা অমসুং সাউথ অফ্রিকা (ব্রিক্স) না চিনাদা পাঙথোক্লিবা মীফমনা পাকিস্তান্দা বেজ তৌবা লাস্কর – ই – তোইবা, জাইস – ই মহমদ অমসুং হকানি নেটৱার্ক য়াওনা তোঙান তোঙানব টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

চিনাগী হিথাংফম সহর জিয়ামেনদা পাঙথোক্লিবা ব্রিক্স সমিট ইং ২০১৭ দা শরুক য়ারিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, হেন্না ফবা অমসুং পোজিটিভ ওইবা ফল অমা ফংনবগী মায়কৈদা চঙশিনবগা লোয়ননা কাঙলূপ অদুদা য়াওরিবা লৈবাকশিংনা হেন্না চেৎপা মরুপ মপাং ওইবগী ফিরেপ লৌমিন্নবতা নত্তনা মতেঙ পাঙনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রুশিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগসু উন্নখ্রে। মীফম অদুগা মরী লৈননা চিনানা বার্তন তৌখিবা ইজিপকী লুচিংবশিংগসু উন্নখি। ইজিপতা নত্তনা চিনানা কেনিয়া, তাজিকিস্তান অমসুং থাইলেন্দ নচিংবসু বার্তন তৌরমখি।



চিনা অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা সিকিমগী দোকলাম লমদমদা নুমিৎ ৭৩ চুপ্পা উংখৎনরুরবা মতূং লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা চিনাদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ অমুক হন্না ব্রিক্স মীফমদা শরুক য়ারি।

ব্রিক্সকী মেম্বরশিং ঙসি এগ্রিমেন্ট মরি সাইন তৌনখি। মদুগী মনুংদা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী মরক্তা ললোন ঈতিক অমসুং শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবা, ব্রিক্স লৈবাকশিংনা অনৌবা ৱাখল পুথোক্নবগী লমদা এক্সন প্লান পায়খৎপা, ব্রিক্সকী চৎন–পথাপ মতূং ইন্না ফ্রেম ৱার্ক অমগী মখাদা মতেঙ পীনবা অমদি ব্রিক্স লৈবাকশিংগী মরক্তা অমনা অমবু শক খঙনবা লোয়ননা চাওখৎ থৌরাংগীদমক ন্যু দিভলপমেন্ট বেঙ্কশিংনা থবক পায়খৎহনবা য়াওরি।

মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌউ শিংউ, ইনর্জি, ইনভাইরনমেন্ট, ক্লাইমেট চেঞ্জ, স্পোর্টস অমসুং কলচরগী লমদা মতেঙ পাংননবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়রি।

মরু ওইনা মালেমগী টেরোরিজমশিংবু থেংনবা, য়ু এন না পায়খৎপা থবক থৌরমশিংদা মতেঙ পীবা হায়বা ৱাফমশিংদসু য়ানখি হায়রি।

# উত্তর প্রদেশতা ওক্সিজেন ৱাৎপনা মরম ওইরগা অঙাং ৪৯ নৌনা শিখ্রে

***লক্ষনৌ, সেপ্টেম্বর ৪ ঃ***

উত্তর প্রদেশকী ফারুখাবাদতা লৈবা রাম মনোহর লোহিয়া দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা নৌনা অঙাং ৪৯ শিখ্রে। অঙাংশিং অদু হোস্পিটাল অদুদা লায়েংনবা পুরকপা মতমদা ওক্সিজেন ৱাৎপনা মরম ওইরগা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চীফ মেদিকেল ওফিসার অমা য়াওনা ডাক্তর অহুম থবক্তগী লৌথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটসু থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থাংদোকখ্রে হায়রি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না রাম মনোহর লোহিয়া দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পোকপদা ঙাইহরিবা অঙাং ১৯ নৌনা শিখ্রে। হোস্পিটাল অদুদা চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা অঙাং ৩০ শিখ্রে। থোক্লিবা খুদোং থিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা থিগৎনবা য়াথং পীখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট রবিন্দ্রকুমার খুদোং থিবা নংলবা মফম অদুদা চঙশিন্নবা খঙহনখি। হোস্পিটাল অদুদা লৈখিদবা অঙাংশিং অদু ওক্সিজেন পীবা ঙমদবনা ওইহনখিবনি হায়না খঙহনখ্রে। অঙাং কয়া নৌনা শিহনখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ডাক্তর কয়াগী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎখ্রে। থৌদোক অদুদা ষ্টেট অদুগী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট অখিলেস অগ্রৱাল অমসুং কয়লাসকুমার চেন্নরি হায়রি।

ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখিবদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা হোস্পিটাল অদুদা চৎতুনা য়েংশিনখি। লোয়ননা মমা মপাশিংনা থাংগৎলকখিবা ৱাকৎশিং তাখি। ফিভমশিং অদু য়েংলগা খঙবা ঙম্লিবদি হোস্পিটাল অদুদা ওক্সিজেন ৱাৎপগী খুদোং চাদবা লৈ হায়বসিনি হায়রি।

গোরাকপুরদগী কিলোমিটর ৪০০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অদুদা লৈবা লৈঙাক্কী হোস্পিটাল অমদসু অঙাং ৩০ রোম শিখ্রে হায়বগী পাউসু লৈরি। লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদু পোকপা নুমিৎ নিনিখক্তা ঙাইহরিবা অঙাংশিংনি। অঙাংশিং অদুদা পীগদবা ওক্সিজেন ফংদবনা মরম ওইরগা পোকপদা ঙাইহরিবা অঙাংশিং অদু শিহনবগী মরম ওইখি হায়রি।

# দার্জিলিং হিল্সতগী পোখাইবা য়াবা বোমগী মচাক কয়া ফংবা ঙমখ্রে

***দার্জিলিং, সেপ্টেম্বর ৪ ঃ***

দার্জিলিং মপুঙ ফাবা ষ্টেট অমা ওইহল্লু হায়না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ চৈরক্তা ঙসি লেবোং লমদমদগী পোখাইবা য়াবা য়াম্লবা মচাকশিং ফংবা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না পোখাইবা য়াবা মচাকশিং অদু পৱার প্লান্ট অমদগী হুরাল্লকপা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই থাদা বিজানবারি লমদমদা লৈবা পৱার প্লান্ট অমদগী পোখাইবা য়াবা য়াম্লবা মচাকশিং হুরানখিবগী রিপোর্ট লৈখ্রে। ঙসি ফংলিবা মচাকশিং অদু পৱার প্লান্ট অদুদগী হুরানখিবশিং ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি।

চৈরকসিদা দার্জিলিং হিল্স অমসুং থংনবা মফমশিংদা পুলিসনা ইরাই নুমিত্তগী অকনবা মওংদা ওপরেসন চথবা হৌখ্রে। পুলিসনা জি জে এম গী লুচিংবা বিমল গুরুং ফাননবা অকনবা থবক পায়খৎলি।

দার্জিলিং হিল্স লমদমদা মীয়াম্না মপুঙ ফাবা ষ্টেট অমা তান্দুনা চথরকখিবা সটদাউনগী খোঙজং নুমিৎ ৮২ শুখ্রে। দার্জিলিং, কুরসেওং, মিরিক, সোরাদা অমসুং কালিমপোং লমদমদা মীয়াম্না সটদাউনগী খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা খোঙচৎ কয়া চৎখ্রে হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা মীসাইল চাংয়েং তৌননবা শেম শারি



***পিওংয়াং সেপ্টেম্বর ৪ ঃ***

নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলিষ্টিক মিসাইলশিং চাংয়েং তৌননবা শেম শারি। নোর্থ কোরিয়ানা হন্দক্তা ন্যুক্লিয়ার বোম চাংয়েং তৌখ্রবা মতূং য়ু এস না থাদ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অমুক হন্না চাংয়েং তৌখিবসু লৈখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা চাংয়েং মথং মথং পাঙথোকখিবগী পাউখুম ওইনা সাউথ কোরিয়ানসু চাংয়েং কয়া এক্সর্সাইজ ওইনা পাঙথোক্লি।

নোর্থ কোরিয়ানা পায়খৎলিবা থৌশিলশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্নুনা য়ু এস না অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা হায়, মঙক কনবা লৈবাক অদুনা য়ু এস মিলিটরিগী চৈথেং মায়োক্নবা য়াই হায়রি।

নাকল অমরোমদা নোর্থ কোরিয়ানা মায় পাক্না হায়দ্রোজেন বোম চাংয়েং তৌখ্রবা মতূং খূৎলাই অদু শান্না কাপ্পা য়াম্না মীসাইলশিং হাপ্পা য়ারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পিওংয়াংনা য়ু এন অমসুং মালেমগী লৈবাক কয়ানা অকনবা প্রেসর পীরক্লবসু থৌশাদনা ন্যুক্লিয়ার অমসুং মিসাইল কয়া চাংয়েং তৌরি হায়রি।


## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking ............ 21/04/17
Valid .................. 20/04/17
Stk ... 306 DBTL/19Kg-36
Time ... 7.30 to 09.30 am

**Hrangchal Gas**
Booking ............ 16/05/17
Valid .................. 13/05/17
Stk ... 306 Aadhar Link only
Time ... 7.30 to 10.30 am

**Misao Gas Service**
Booking ............ 13/05/17
Valid .................. 02/05/17
Stk ... 306
Time ... 7.30 to 10.00 am

**K & K Indance Service**
Booking ............ 05/05/17
Sl. No. upto 100
Valid .................. 29/04/17
Stk ... 306
Time ... 7.30 to 11.00 am
First come first serve

**Canchi Indane**
19 Kg commercial 180
First come first serve
Time ... 8.00 to 10.00 am

**GBD, Lamlong**
Booking ............ 19/04/17
Valid .................. 13/04/17
Stk ... 612
Time ... 6.30 to 10.00 am

**TDK Gas, Sekmai**
Booking ............ 27/04/17
Valid .................. 25/04/17
Stk ... 612
Time ... 7.00 to 10.30 am

**Athokpam Gas, Wangjing & Khongjom**
Booking ............ 03/05/17
Valid .................. 27/04/17
Stk ... 540
Time ... 7.30 to 10.00 am

**Maibia Gas, Moirang**
Booking ............ 06/05/17
Sl. No. 3550
Valid .................. 04/05/17
Sl. No. 2981
Stk ... 306
Time ... 7.00 to 11.00 am

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking ............ 27/04/17
Valid .................. 18/04/17
Stk ... 306 CTC
Time ... 7.30 to 11.00 am


# ত্রিপুরাদা ঈচাওনা মীওই ৩০০০ ময়ূম–মকৈ লৈহন্দ্রে

***অগর্টলা, সেপ্টেম্বর ৪ ঃ***



ত্রিপুরাদা হন্দক চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা ঈচাও থোক্লে। ষ্টেট অদুগী মফম কয়াদা লৈবা মীওই লীশিং ৩ লোম ময়ূম মকৈ ঈশিংনা থুমজিনখিবনা মরম ওইরগা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না ষ্টেট অদু ফাওনা চেনবা হাওরা তুরেল, কাথাখাল অমসুং কালাপানিয়াখাল তুরেলশিং ঈচাও থোক্লে। তুরেলশিং অদুগী ঈমায় ৱাংখৎলক্তুনা পাথোকপনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। বারামুরা হিল রেঞ্জগী মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিনখ্রে। অগর্টলা সহর য়াওনা ষ্টেট অদুগী মফম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখিবনা মরম ওইরগা মীওই লীশিং কয়া লাঞ্জেন্নখ্রে। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩০০০ রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়রি।

বাংলাদেশতা চহী খুদিংগী ঈচাও থোকপনা মরম ওইরগা ত্রিপুরাদসু চাওনা অকায়বা থোকহল্লি। লোয়ননা কুমগী অকনবা নোং চুবা অমদি ঈশিং চিংথোকখিনবা দ্রেনেজশিং মতিক চাদবনা মরম ওইরগা ত্রিপুরাদা তোইনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরি। ত্রিপুরা ফাওনা চেল্লিবা তুরেলশিং বাংলাদেশ ফাওদুনা সমুদ্রদা তাখিগদৌরি। অদুম ওইনমক বাংলাদেশতা শাথিবা ঈচাও থোকপনা মরম ওইরগা ত্রিপুরাগী তুরেলশিংগী ঈমায় কা হেন্না ৱাংখৎলকখি।

তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলকপা অদুনা মরম ওইরগা ত্রিপুরাগী কোনুং অগর্টলা য়াওনা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখি। হন্দক কুমগী নোং কা হেন্না চুবা অসিনা মরম ওইরগা ত্রিপুরাদা ঈচাও থোকহন্দুনা মীওই লীশিং ৩ হেন্না ময়ূম মকৈ লৈহন্দ্রে। ঈশিং থুমজিনখ্রবা মফমশিং অদুদা লৈবা মীওই কয়াদি হৌজিক লৈঙাক্না হাংবা রিলিফ কেম্পশিং চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়রি।

ৱেষ্ট ত্রিপুরাগী দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেট ডাক্তর মীলিন্দ রামতেকেনা ফোঙদোরকখিবদা ষ্টেট অদুদা চেনবা তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা থোকহল্লকপা খুদোংচাদবশিং থেংননবা চপ চাবা থবক লৌখৎলে হায়রি।

# দেরাগী তুং ইনবশিং খূৎলাই থাদোক্নুনা চঙজখ্রে

***চান্দিগর, সেপ্টেম্বর ৪ ঃ***

দেরা সচা সৌদাকী সির্শা হেদ ক্বাটরদা লৈরম্বা মীওই কয়া দবল বেরেল অমসুং সিঙ্গল বেরেল অমদি পিষ্টোল কয়াগা লোয়ননা চঙজরক্লে হায়না হরিয়ানা পুলিসনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না সির্শা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা রাইফল কুন্থা হেনবা অমসুং পিষ্টোল কয়া দিপোজিৎ তৌরক্লে হায়রি।

দিপোজিৎ তৌরকখ্রবা নোংমৈশিং অদুগী মনুংদা লাইসেন্স য়াওবা সিঙ্গল বেরেল, দবল বেরেল অমসুং পিষ্টোন কয়া য়াওরি হায়না সির্শা সদর পুলিসকী ষ্টেসন হাউস ওফিসার দিনেসকুমারনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

দিপোজিৎ তৌরকখিবা দবল বেরেল অমসুং সিঙ্গল বেরেল নোংমৈশিং অদু শেমদোক শাদোক্লম্বা য়াওরমখি। দেরাগী তুং ইনবশিং অদুনা ঙসি মফম অদুদা লৈবা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরু কয়া দিপোজিৎ তৌরকখ্রে।

পুলিসনা দেরা কেম্প অদুদা লৈবা তুং ইনবা মীওইশিংদা মখোয়না পায়রিবা খূৎলাইশিং নুমিৎ নিনিগী মনুংদা দিপোজিৎ তৌরক্কবা খঙহনখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

পঞ্চকুলাগী সি বি আই স্পিসিয়েল কোর্টনা দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা রাম রহিমবু চহী ২০ জেলদা লৈবগী দন্দি পীখ্রে। মীওই অদুনা চথখিবা থৌওংশিং য়েংলগা আগষ্ট ২৮ দা সি বি আই গী স্পিসিয়েল কোর্টকী দন্দি অদু পীখিবনি।

চহী ৫০ রোম শুরবা রাম রহিম হৌজিক রোটক দিষ্ট্রিক্টকী সুনারিয়া জেলদা লৈরি। জেল অদু সেক্যুরিটিনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক অকনবা মওংদা ঙাক শেনবগী থবক চথরি।

দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা অদুবু মরাল লৈরে হায়না দন্দি পীখ্রবা মতূং পঞ্চকুলা অমসুং সির্শাদা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক্তা মীওই ৪১ শিখ্রে অদুগা মীওই ১০০ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে। পঞ্চকুলা খক্তদা মীওই ৩৫ শিখি অদুগা সির্শা দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৬ ইরাং অদুনা মরম ওইরগা শিহনখি হায়রি।


## DOCUMENT LOST

I have lost my documents contaning Original Marksheet and Certificate of Class - X Examination 2009 bearing roll no. 3130828 issued by CBSE and Original Marksheet and Certificate of Class - XII (Sc.) Examination 2012 bearing roll no. 3627576 issued by CBSE on the way between Paona Bazar and Andro on 3rd August 2017.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
**Chingakham Kabita Devi**
D/o Ch. Momon Singh
Andro Khunou Leikai
Mobile no. 9862308993

***SL/2763/05***



## In the Court of Sub-Deputy Collector
**Bashikhong, Imphal East**

*Ref. :- Mutation Cass No. 329/SDC/B/IE/2017*

1. Saikhom Saratchandra Meitei
   S/o (L) S. Tomba Singh of Khongman Zone - V
2. -do- Ongbi Sunita Leima W/o (L) S. Loken Singh of -do-
3. -do- Ongbi Tampakleima W/o Rupachandra of -do-

***- Petitioners***

***-Verses-***

Saikhom Tomba Singh S/o (L) Kulla Singh
of Khongman Zone - V

***- Pattadar***

**“চুমথোকচবা”**

*Bashikhong, the 4th Sep., 2017*

হৌখিবা তাং ২২।০৮।২০১৭ ইং লৈবাকপোকপা নুমীৎকী addition দা য়াওখিবা Mut. Case No. 329/SDC/B/IE/2017 গী Colum দা Petitioner No. 1 গী মমিং অসি Saratchandra Meitei হাইগদবনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong, Imphal East

***R.P.***


**সনা–সুদোকু – ৯২৪ গী সোল্যুসন**


| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 4 | 6 | 8 | 3 | 5 | 1 | 9 |
| 9 | 8 | 3 | 5 | 1 | 4 | 2 | 7 | 6 |
| 1 | 5 | 6 | 2 | 9 | 7 | 4 | 8 | 3 |
| 3 | 9 | 1 | 8 | 7 | 5 | 6 | 4 | 2 |
| 5 | 6 | 8 | 3 | 4 | 2 | 7 | 9 | 1 |
| 4 | 2 | 7 | 9 | 6 | 1 | 3 | 5 | 8 |
| 6 | 1 | 2 | 7 | 5 | 9 | 8 | 3 | 4 |
| 8 | 4 | 5 | 1 | 3 | 6 | 9 | 2 | 7 |
| 7 | 3 | 9 | 4 | 2 | 8 | 1 | 6 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-925**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | | | 8 | | |
| 8 | | | | 1 | | 4 | | 6 |
| | | | | 2 | | | | |
| 1 | | | | | | 6 | | |
| | 2 | | 3 | 8 | | | | 9 |
| 9 | 6 | | | | | 5 | 7 | |
| | | | | | 5 | | | |
| | | 6 | 8 | | 7 | | 1 | 4 |
| | 1 | | 4 | | | | | 8 |



*নেপ্লেলশিংনা শোকহল্লবা যটিসগরগী দন্টেৱারা দিষ্ট্রিক্টতা সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্সনা কিলোমিটর তরেৎ শাংবা লম্বীদা নাৱবা মীওই অমা লায়কয়নবা খুদোংথিবা লম্বী কয়া লান্দুনা লাকখিবগী শক্তম।*